# সরিতা, নঙনা নোকপা মীকুপ্তুনি ঐনা ঙাইরিসে



মালেমদা শক্নাইরবী মণিপুরগী নুপী বোক্সর লাইশ্রম সরিতানা হরাউনা মোমোন মীনোক তম্বগী শক্তম অমা




চহী অমগী অথিংবা লৈরুরবা মতুংদা হন্দক্তা ইন্দিয়াগী গৌহাটি অমসুং শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা সাগ গেমসতা অমুক নৌনা রিংদা হল্লক্লবা সরিতানা মহাক্কী ওপোনেন্ট অমবু থিনগায়রবগী শক্তম

## সোরোক নোরেন

**মালেম** পূম্বগী মীওই কোটি কয়াগী মমিৎশিংনা নঙগী মায়কৈদা লেপখ্রবসু, নঙগী দশাগী মীকুপ্তুনদি নঙগী রাহুবু চেৎনা ফাজিন্দুনা থমখি। মতমদুদা নঙগীনি হায়দুনা ঐনা কৌবা ঙাওবসু তারোইদবা মফমদুদা লৈখিবনা, নঙগীদমক অরেপ্পা লৈতনা শীন্থখিবা পিরাংনা মনীং তমজখিবদু মঙাই ঐগী তৌবা ঙম্বা হায়ববু। নুমিৎতুদা নঙনা ওইখিবা মীকুপ, শাংলবা চহী অমগী মতম শুপ্নগী মিংথোল অমদি অরিবা মেদল কয়া য়েংলগা খাঙখিবদো ঙসি নঙগী মতম লাকপা হৌরবা নৎত্রা সরিতা। থাজখিবনি নঙবুদি চেৎনা। অদুবু অমুকসু খল্লি, ঐগী ওইবা মীওই কয়ানা ফাওবা নঙোন্দদি হন্থবা মীৎয়েং য়েংবিখিবদো। অদুনা নঙগী মাংগী লম্বীদা করিগুম্বা খরদি খুরৌ ওইগদৌরি হায়না। অদুগুম্বা পল কয়া অদুবু নহাক্তগী হোৎনজমন্না নঙসু ঙসিদি মোমোন নোক্লে অমদি ঐগী চম্লবা থম্মোয়সিসু মকা লাম্লে। অশেংবনি সরিতা কুইরে নঙনা হঞ্জিন হঞ্জিন নীংহন্নদুনা পাঙ্গল থোকপা ঙমদনা মহাভারতকী কর্ণগুম ৱানা খাঙলকপা। কয়াম কুইনা খাঙখিনি। খাঙবগী পল অমদি লৈফম থোক্তবরা। থিংনিংবা থিংসনু পল কয়া। হিমালয় চীংজাউনা পরেং শানা লেপকে লেপসনু। হৌজিক্তি খঙলেদনা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়দি কল্লক য়েংথি মরকসিদা পুন্সিবু শীংনা শীংনদুনা চৎকদবনি হায়বা। অদুবুনে পীল্লবা চীংলৈবাক অসিগী চীংজুম লাইজ থল্লক থল্লগা শারেপ ফারক্লিবা নঙগী নুজা ওইবী থম্মোয়দুনা নুংগুম কন্নখিবা মীকুপ্তুদি য়েংবা ঙমখিদেকো সরিতা। নুপামক ওইরবসু খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈখিদে।

অহিং কয়ানি তূম্ফম খঙখিদবা। ঐনা খাঙফম খঙদবা হেল্লক হেল্লক্লগা নঙনা ওইরমগদবা ফীভমদুবু লাকশিল্লুবদা চৈনাসু হেল্লকই। করিগীনো নঙনা শান্নবসিদা অসুক থৱায় য়াওরুরিবা। শান্নরমদবদি য়াদবরা নঙবো। অপাম্বা পূক্নিংগী ইহুলদুনদি মতম মতমগী ওইরকখিবা শক্লোন অদু ওইরক্কনি হায়বদি খঙবা নৎখিদবনা চেৎনা থাজরুবনি নৎত্রা? চুমই করিগীদি খল্লুনি পূম্নমক্কী থম্মোয় ময়ামদুবু থোৎলবী থম্মোয়দুনা পেলহনবদি ঙম্বা ইতিক্লা। ফরে হৌখ্রবদি হৌখ্রে। হৌজিক্তি লাক্কদৌরিবা থৌদাং কয়াদা হান্না চেকশিল্লিবা চাংদগী শরুক লিশীং লিশীং হেন্না চেকশিনবগী মথৌ তাই হায়বসি নঙ খঙদবা য়ারোই। নীংহন্নবা তৌদনা তুং হনবা তৌদনা চৎলিবা মাঙগী লম্বী অদুনা নঙগী অমদি ইমা লৈবাক্কী অরংবা ধ্রুবতরানি খনগদৌরিবনি। নঙ নীংহন্নবা য়াদে সরিতা। নঙগীদমক নৎত্রা ঐখোয় লৈরিসে। হঙ্গৎনা য়েংলুবদা ২০১২ লন্দন ওলেম্পিক কাউবা য়ারম্লোই নীংই। ওলেম্পিক অসিগী থৌদোকসিদগীনি খাম্বা য়াদনা চাক্কক্লিবা মৈরিনা ঙসি ফাওবদা মুৎপা ঙমদনা লৈরিবা। ঐনা শেমজবা লম্বী অদুদা ঐ ইশানা চৎপা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈদুনা চৎলিঙৈদবু নঙ চৎপা য়ারোই থীংখিবা কনাগী থম্মোয়না পেনগনি। হৌখ্রবনি নুমিৎসিদগী লানবা, খোঙথাং অমদি নঙগী ওইনা। নঙনা ফনা ৱাকৎচৈ, ফনা শাউদুনা য়েংই, নঙগী মায়কৈদা থেম্বিনবা কনাসু লৈতবনা নঙনা খাঙখিবদো ঐ লোইনা খঙইনে সরিতা। মীকুপ্তুদগীনি ঙসি ফাওবা থম্মোয়দা খুতুম শুদুনা খাঙলক্লিবা। নঙগী ওইবা মফম চাবা অমা ইরৈমক লৈত্রবরা হায়দুনা। লায়রবী পলেমগী খোল্লাং লমন শিংবা ঙম্লরোইদ্রা। মওল মওল খল্লিবনি হৌজিকসু। থাংলক্কদৌরিবা খোঙথাং কয়ামরুমসিবু মমাঙথক্কী থৌদোক্কুম হঞ্জিন হঞ্জিন ইকায়বা চোপ্পা নংদুনা লাইবক থিবী হায়বদু তাগদৌরিবরা।


মতমদুগী আই বি এফকী জেনরেল সেক্রেটরি মুরলিধরনগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন্দা ওইখিবা লাল্লোং ওলেম্পিক গেমসতা নুপীগী বোক্সিং য়াওরগনি হায়না ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না ফোঙদোকখিবদগী ইন্দিয়ান বোক্সিং ফেদরেসন (আই বি এফ) সু নুংঙাইবগী মতোন লোমখি। ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি পি কে মুরলিধরন রাজানা মতমদুদা চাউথোক্লা হায়খি, "ঐখোয়গী নুপী বোক্সরনা মেদলগী খুদোল অমদি শোয়দনা তল্লগনি।" থাজবা থল্লিবা অমদি নুঙাইবা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম খুদিংমক্কী মরু ওইবদি ঐগী লমদমসিগী শান্নরোয়শিংদনি। হঞ্জিন্না হায়নরুদ্রবসু ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা মঙারক চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবী মেরি কোম অমদি এসিয়ন ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা অনীরক চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবী সরিতা নঙ লৈবননি। নখোয় অনীনা বোক্সিংগী লমদদি লম্বা ইরৈ লৈতনা ঙাম্থোইরিবা মতমনি। অসিগুম্বা তাল্লক অসিদা হেন্না নুঙাইদুনা বোক্সিং মশান্নদা গ্বাংজৌ এসিয়ন গেমসতসু ৱুমেন'স বোক্সিং হাপ্লগনি লাউথোকখিবদুনি। চাইনাগী গ্বাংজৌ এসিয়ন গেমসতা থোকখিবা থৌদোক্তুবু লোইখ্রে হায়দুনা নীংশিংদবদি ঙমদেকো মীকুপ অমত্তা ওইরবসু। নৌনা হাপ্লকখিবা গেম অদুগী ৱেঠ কেটাগোরি অদু ওলেম্পিক গেমসতা চৎনগদৌরিবা (৪৮-৫১), ৫৬-৬০ অমসুং ৬৯-৭৫ কেজি ৱেঠ কেটাগোরি অদুমক্নি। অদুবু ৱেঠ কেটাগোরি ৪৮-৫১ দা করম্বা বোক্সর থাগদগে হায়বগী মতাংদা লৌখিবা আই বি এফকী লুজদবা ফীরেপ্তুবুনি ঐনা মতাং চানা তেন্তক্লা নীংশিংলিবসে। মশাগী মরাইবক্লা তাজদুনা লৈরবা পোৎ অদুদা কুইনা শান্নজরকপগী মহয় ওইগদৌরিবা পোৎশক্তুবু লমখাংদা মুন্দুনা থদৎপদুদনি থম্মোয়না অসুক নীংদোন পোল্লিবসিনা। করি করম্বা ফম্নাইবশিংগী ফীজি ফীনা নেৎলুরবনো খঙহৌদ্রিবসে। মদুমক তৌরমগনি হায়বদি ঐনা চেৎনা থাজরিবা সরিতাগী মায়কৈদগী লৈরম্লোইদ্রা খনবনি। অদুবু ফীজি ফীনা নেৎলুদ্রবসু মদুগা মান্নবা অমদি তৌরুববরা। করিগীদমক্তা নঙগী মায়কৈদা ৱাহে অমফাওবা হায়নবা ওথোরিটিগী মীওই চোংথোরক্তবনো।

মদুমক্না ইশানা থাজবা উপাল অদুগী উহৈ অদু মমুন ফারবসু ইখূৎনা পৎ লাউনা থৎতুনা চাবদি লাইরদনা হেকপা ফঙজখিদ্রিবদো। ঙমই, তৌগে য়াওনা তৌরক্লবা থৌওংনিনা নঙগীদমক ঙাকপীনবা কনাসু লৈখিদে। হেঞ্জিন্না অমুক ঙক্লিবদি জাৎ মান্নদবা অতোপ্পশিংগা ওন্থোক ওনশিন তৌরবদি খরসু মফগদবা। ইরমদমসিগী ইশুং ইমান্নবীগা হেক্তমক পাম্বোম ঙান্নহল্লকপদুদদি মীওইবগী লীচৎতা শুংয়াও য়াওফম থোক্তবনি। থোকহন্নিংদবা থৌদোক্তুনা অশেংবা ওইনা থোক্লকপদুদদি করিগীদি ৱারৌজরোই। হৌখিবা পূম্নমকপু কাউথোক কাওথোক্লা লেনবা তম্বদি পাঙদবা অয়ম্বনিসু হায়নখিদৌরিনি। মমাঙগী পুৱারীদু মচিং মচিং নীংশিংলগা লাক্কদৌরিবা খোঙথাং খুদিংমক্তা চেকশিনহন্নিংবগী অপাম্বনি ঐনা মতম খুদিংদা নীংশিংলিবসে। মীকুপ অমা শোইবদা অমদি খোঙফম অমগী খোঙহৌদা অহান অকোন লেপকদৌরিবনি। সেকেন্দ অমবু মচেৎ কয়া থোক্লা খায়দোক্ক রবা মতমনিনা চেকশিনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফৈ। চৈথেং কয়া অমদি লৌনম লাংথক কয়ানা শাগোন্নদুনা হৌরক্লবা সরিতা নঙদি হোৎনবা লেপ্পা য়াদে। হঞ্জিন হঞ্জিন হায়দুনা নীংশিংলিবসিনি। নঙনা তৌগদবা থৌদাং মশীং থীঙমদ্রিবনি। পোত্থাদুনা লৈথোকপা য়াবা নত্তে। মীনা পুং ৫ শান্নবদা নঙদি পুং ১০ গী মতম লৌগদবনি। নঙনা হেক পোত্থাখিবদা পূম্নমক্কী মতোল ওইদুনা হেন্না খুদোংচাবা লৌখিনি। পূম্নমকসি খল্লগা নঙগী তৌফম থোকপা থৌদাংদা মায় ওনশিন্নবা হোৎনরো। লেপ্তবা মতমগী খোঙচৎসে খঙহৌররোইদবনি। তুং হন্না য়েংদনা নঙনা পুন্সিগী পান্দমনি খল্লিবা মফমদুমতংদি য়ৌরম্নবা হোৎনরো। মসিখক্তনি ঐনা নফমদা থম্নিংলিবসু। ঐনা হায়বা হায়দবা থিদনা অশোয়বা কয়ানা অমদি শোয়হনগদবগী তাঞ্জা য়েংলিবা পূম্নমক্কী মীৎমাংদা অমুক্তদি উৎলমসি সরিতাগী হোৎনজমন। খঙহৌদবা মতমগী ঈচেলনা হুমদুনা পুরিবা কাওশিংগুম্লবা মীওইবগী পুন্সিসে নোংমদি লোইবা নাইরক্কনি। হৌখিবা থৌদোক পূম্নমক অকাউ পরৈ চল্লক্কনি। নীংশিংবগী পাঙ্গলনা লৈরিমখৈ অমদি মীওইবগী মীনুংশি অমদি থৌজাল ফংলিঙৈদা নঙগী শক্তি পূম্নমক ঙমজবী থাদুনা হোৎনরো।

মালেমগী খ্বাইদগী চাউরবা শান্নবুং অদুদা নঙনা ভিক্টরি ষ্টেন্দা লেপ্তুনা মোমোন নোকপা মীকুপ্তু য়েংনিংবনা লাংতক্করবা থম্মোয়সে হৌজিকসু পোত্থাফম খঙদ্রি। অদুবু হৌজিক্তি খঙলেদনা মীওইবা ঐখোয়সে মীরক্তা হিংগদবনি। মীয়াম্না ঐবু শেম্বীবনি। ঐগী হোৎনজমনগী ফীদা মীয়াম্না মফম চানা থাবিবনি। মদুমক্তনা ঙসি নঙনা মালেম অসিদা সরিতা হায়বা মীংথোল অসিনা শান্নবুংগী মায়কৈদগীদি খঙনরিদনা। মমাঙদসু অচুম্বা অশেংবা খরবু লোৎশিন্নবা হোৎনৈ হায়দুনা নঙনা মীমাঙদা ওইনখিবদো নঙবু নুংশিদবা কয়াগী মীৎয়েংদদি ফত্তবা অরানবা তাখ্রিদুনি। অদুনা মতুংদদি অচৌবা মীয়াম তীনবা মফমদদি মপুং ওইবা খঙ হৈরবা ওজা গুরুবু কাউথোক্তুনা ঐগী ওইবা মোত কৈদৌঙৈদসু থমগে খল্লুরনু। মদুমক্লা নঙগী পুন্সিগী ইতিহাসতা অমুবা কালি অমদি কোকপা ঙমদনা লৈহৌরে। চল্লবী থম্মোয়দুনা চম্না খঞ্জরিবা পূক্নিংগী ইহুলদুদি লোইনমক্লা খঙলবসু মদুগী অয়াবদুদি য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বগী ফীরেপ লৌগদৌরিবদি মখোয় খরদনি। মরম অদুনা মখোয় খরগী মীৎয়েংদা নঙবু ফত্তবা অরানবা তৌবা, থকসি খাসি য়াওদবা শান্নরোয়নি হায়দুনা মীয়াম মাঙদা চীংথোকখ্রিবদো। নঙনা চুম্লে খঞ্জরিবা মীকুপতো চুমখিদে। অদুননি নঙনা শাংলবা চহী অমবু পোনগী চেক্লাগুম লেনবা তাখ্রিবা। হোৎনবা মানবগী ৱানি। হোৎনখিদবনি, হোৎনরদবু নঙগী মায়কৈদা করিগী অচুম্বা বিচার ফংলোইদৌরিবনো।

লোইশিল্লসি মীকুপ অসিনা নঙগী লাইবক্তা তল্লখিবা থাদোকফদ্রবা মপুগী খূৎশেমনি খল্লগা। নীংশিং নীংশিংলগা হেন্না নীঙমদবা হেল্লকই। করম্বা শেন্নহৌদ্রবা মীকুপ্তা নাম্থোকখিবা খোঙফমনো অদুক খুদোংথিখ্রিবা। নঙোন দবুদি হায়রি নীংশিংলুরনু অদুবু নীংশিংলুরনু হায়রিবা থম্মোয়সিনি ফাথবা ঙমদ্রিবসে। নুংশিবা হায়বা লীচিংনা পুল্লিবা মীওইবগী পুন্সিসে মীনুংশি ৱাৎহনবা য়ারোই। ঐনা নুংশিবিয়ু হায়রুদ্রবসু নঙগী লীচৎ শাজৎতুনা মীনুংশি পোক্কদৌরিবনি। নৌনা অমুক শান্নবুংদা উবদা নঙগী শান্নবদা ঙাওজবা থম্মোয় কয়াসু অমদি শিল্লি লাঙলিবা কয়াগী কল্লবা থম্মোয়শিংদুবু খুদুম চন্নবা, মপুক্নিং পেন্নবা হোৎনবা হায়বসে য়াম্নমক তঙাইফদ্রে। মমাঙথক্তা খোঙথাং নৎত্রগা করিগুম্বা খরদি শোইখ্রবনি খনদুনা নঙগী হোৎনবগী থৌনা লিংজেল পূম্নমক তাশিনবা মথৌ তারিবনি। হয়েংগী মীকুপ্পু কনানা খঙবা ঙম্লুনি, মসিনিনে তাইবঙ খোঙচৎ হায়বদো। য়েংনা য়েংনা অদুমক তামখ্রিবা সমুদ্রগী মায়কৈগুম হৌখ্রবা মতমদি অমুক হল্লক্লরোইদবনি। নুংশিদ্রা মতমদো ঙরাংদা ওইরবোই নীংইদো নঙনা চাউখ্রবা সভা ময়াইদুদা ঐগীনি হায়বা অততাই তাবিনবা লৈতনা নঙনা ফুম্বংননা লেপখিবা, মতমদুদা কায়খিবা থম্মোয়সে ঙসি ফাওবা তাইশিন্নৌ য়াদ্রিদো। অদুনা হৌজিক্তি চীংলোন মাপলনা কোয়শিনবা ফজরবা চীংলৈবাক অসিদগীনি বোক্সিংগী সরিতা হায়বিদো হায়নবনা হোৎনবা য়াবা হোৎনরো। মালেমগী খ্বাইদগী চাউরবা শান্নবুং ময়াইদা নঙনা মোমোন নোক্লা সনাগী মেদল লৌগদবা মীকুপ্তুনিকো ঐনা খৌরাংনা ঙাইরিবসে সরিতা। ❍

# মণিপুরগী শগোল কাঙজৈ



মালেমদা পোলো হায়রগা হেন্না খঙনরবা মণিপুরগী শগোল কাঙজৈ শান্নবগী শক্তম অমা

## নিংথৌখোংজম তোম্বী রাজ

**মালেমদা** মীওইবনা খোঙদারকপগী ঙল্লিঙৈ মতমদা চাবা থকপা মরাং কায়রম্মী। নুংঙাইনা পাল্লম্মী। নোংমগী চরা তাল্লুরগা অমদি তৌগদবা থবক তৌরুরবা মতুংদা অহাঙবা মতমদা পোত্থাবা নৎত্রগা মতম লেন্নবা শান্নবা হায়বসি তঙাইফদবা ওইরম্মী। পুকপু থল্লবদি শা-ঙা ফাওবা অমগা অমগা শরাক তম্নে অমদি শান্নে। শানা লাক্ল-ফানা শান্নবগুম মীওইশিংসু লাক্ল-ফানা শান্নে। মী অমনা অতোপ্পা অমদগী থোইনবা শান্নবগী হৌরকফম মরুদি লাক্ল-ফানা শান্নবা অসিনি। থোইনবা শান্নবা অদুদা চৎন-পরিং হাপচিল্লগা হৌজিক মতমগী মশান্না কয়া পুথোক্লকপনি।

য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা মণিপুরগী মশান্নশিংগী মনুংদা *শগোল কাঙজৈসু* অমনি। মশান্না অসি করম্বা মতমদগী লৈপাক অসিদা শান্নবা হৌখিবগে হায়না খঙনবা থিবা তারবদি মীহৌরোল থিগৎলিবা অখঙ অহৈশিংগী মতেঙ লৌবা কান্নগনি। মৈতৈগী অরিবা লাইরিক "কাঙজৈরোল" দা নিংথৌ কাংবনা মণিপুরদা ইহান হান্না শগোল কাঙজৈ শান্নবা হৌদোকপগী ৱা ইরি। কাংবনা চৈ পায়রগা হাইদুনা শান্নবা মশান্ননি হায়দুনা কাংবা + চৈ = কাঙজৈ হায়না লাকখিবনি। কাঙদ্রুমসু নিংথৌ কাংবগী মমিং লৌদুনা কৌখিবনি। শগোল তোংদুনা কাঙজৈ পায়রগা কাঙদ্রুম য়ৈদুনা শান্নবা মশান্না অসিবু শগোল কাঙজৈ কৌই।

নিংথৌ কাংবনা মণিপুরদা পাল্লম্বা মতম লেপ্পগা মশান্না অসি হৌদোকখিবগী মতম লেপ্পা তাবনি। হৌজিক ফাওবদা ফংবা মীহৌরোলগী পরিং মতুং ইন্না নিংথৌ কাংবনা মণিপুরদা পাল্লম্বসি কুমজা ৩৩ দা ফম্বাল কাদুনা লৈপাক অসিদা নিংথৌ ওইখিবা নোংদা লাইরেল পাখংবগী আ মমাঙদনি। নিংথৌকাংবগী মতম লেপ্পবা লংলা থিদুনা অমসুং নৈনদুনা য়েংশি। "লৈথক লৈখারোল" অমসুং "পুতিন" লাইরিক অনী অসিদা অসুম্না ইরি ঃ হয়িচক্তা লাইগা মীগা শম্ননা পাল্লিঙৈদা লম অসিদা শিল্লেমা লৈতেং নিংথৌ চনুনা পোকপা নিংথৌ কাংবা কংখল লৈমা তারিনুনা পাল্লম্মী। নিংথৌ লৈমা অসিনা মচা নুপা মাপল পোকখি। মখোয় অদুদি ঃ ১) কংকোই (২) তৈমা (৩) য়াংমা (৪) তেসারোৎ (৫) উরেন খুরা (৬) উরেন হনবা (৭) ঈরেম (৮) খাবা অমসুং (৯) লংপা।

হাক্তক অসিদা চাবা চীঞ্জাক্তি চদুম চায়। চদুম পানবা লৌফমদি চাশৌপুংদনি। য়ুসু খোং ওইনা চেল্লম্মী। খোং অদুদি য়ুশৌপুংনি। খুরায় খুনফম মরিমক্তা পাল্লম্মী। থুমদি থুম্নম্বীদা থোকএ। শাদি শায়ানবা পাল্লে। ঙাসু ঙায়ান উদা ওংএ। ফিদি চীংমথিদা পাল্লম্মে।...। চক অদু লোইখ্রবা মতুংদা হয়াচক লাকএ। চক অদুগী মীশিং অদুগী চাকচাদি চেঙ চারে। চেঙ পানবা লৌফমদি থাংহুৱাদনে। চক অসিদসু মীগা লাইগা শম্নরি। চক অসিদা পাল্লম্বা নিংথৌদি মোরিয়া ফম্বনচা কৌনা পাল্লম্মে। মীগী পুন্সিদি চহী চহুম পাল্লম্মে। শিরগা লৈপাক্তা পোৎলোইবা হৌনরম্মে।...। অসিগী মতুংদা লাংবচক ফাওরক্লে। চক অসিদা পাল্লম্বা নিংথৌদি ককসু তোনকোনবা, লৈমা উরুম খৌচোনবীনে। লমচৎ মতৌ হোংদরি। ফিশেত্তি তাবুলনে। লাইদি কৌব্রুনে। মীগী পুন্সিদি চহী চনি কক্লম্মে।...।

মথক্কী চকশিং অসি লোইখ্রগা কোন্নচক লাকএ। চক অসিদা অতিয়া গুরু শিদবা, অপানবা লাই অহুম্মকনা পোকপীরক্তুনা থৱায় অয়াম্ববু শেম্বীরে। শাগৈ শলাই তরেৎমা, নুমিৎ চয়োল তরেৎমক, থা ১২ মক, থৱানমিচাক ২৭ মক, পুং খেন মিকুপ নাহুম, পাল্লি শারিবা খিবিকপু শিন্থোং ঙম্না য়াৎপীরদুনা শেম্বীরে। অসুম শেল্লবগা লাইয়িংথৌ অপানবগী মমিং "ক সনা পাখংবা" কৌনা মীসু লাইসু ওইনা লৈপাক্কী মপু ফম্বালগী চাকচানা লোইরেন লোক্তা য়াকায়রে। অসাই লাকপা লাই অনীদি লাই অমনা য়াবিরোক কৌনা পাখংবগী মমা ওইনা লৈরে। অশিবদি তাউরোইনাই শারদুনা লৈপাক পুরদুনা মমৈবু ময়ানা চীকনা কোয়না লৈরে। অদুগা পাখংবনা ফম্বাল ওইনরে। মফমদি কংলানে।...। খোংলম তরেৎমকনা কোন্না চেল্লিয়ে হায়বগী মমিং কোনুং কৌএ।

শগোল কাংজৈ হৌদোক্লম্বা নিংথৌ কাংবগী মতম অসি হয়িচক্তনি হায়বা খঙলবনিনা মীহৌরোল থিগৎলিবা অখঙ অহৈশিংনা হয়িচক্কী মতম পুথোক্লসনু। অদুবু ঐখোয়না শল্লপ্পা খঙবা য়াবদি মীহৌরোল থিগৎলিবশিংনা মতম লেপ্পা ঙম্লে হায়না লৌনরিবা কুমজা ৩৩ দা ফম্বাল কাদুনা মণিপুরগী নিংথৌ নোংদা লাইরেল পাখংবনা পাল্লম্বসি কচ মরিগী খ্বাইদগী নৌরিবা কোন্নচক হৌগৎলকপা মতমদনি। মসিগী মমাঙদা চক অহুম হয়িচক, হয়াচক, লাংবচক লৈখরে। নিংথৌ কাংবনা পাল্লম্বা মতম অসি চক ময়ামগী খ্বাইদগী অহানবা হয়িচকতনি। শগোল কাঙজৈ মণিপুরীশিংগী নাৎকা তৎন-থানা য়াদবা মরী য়েলহৌঙৈদগী লৈরকই। হীরম অসিদা খরা কুপ্না থীজিনবা তারবদি লমদম অসিদা থাজনরিবা লাইৱা তীনৱা (মিথ), অরিবা লাইরিকশিং নৈনবা য়াম্না মরু ওই। শগোল য়াওদনা শান্নবা য়াদবা মশান্না শগোল কাঙজৈগী মরী মখোং থিজিনবদা শগোল অমসুং মীওইবা অনীগী হৌরকফম লোইননা থৱায় পানবা অনী অসিগী লৈনবা মরী নৈনবা তাই।

লৈশেম্লোনগী ৱারী য়াওবা "ঔগ্রী" কৌবা লাইরিক্তা ইরি "অশিবনা লৈশেম্লবদা অতিয়া শিদবনা অপানবা নঙ মী শেম্মো লৈবাকসু নঙগী ওইরো হায়রবদা লৈনুং চখা খোংজোম্বীগা লাইয়িংথৌ কোংলৌতোন লৌথিবগা (অপানবগা) ৱা তান্নদুনা পুনুং হৱাই থাঙপাক থারে। শামরিংবনা ।অৱাং মায়কৈ ঙাকএ, চকমরিংবনা নোংপোক ঙাকএ মুংমরিংবনা মখা মায়কৈ ঙাকলে, লৈশাতাউনা নোংচুপ ঙাকলে। মসিদা লৈশেম নোংশেম্বা লাই অশিবনা মপুক্তা য়াম্না কল্লক কঞ্জাওরদুনা মহাক্কী খুয়াদগী উফুল লৌদুনা শামতোন অয়াঙবা (শগোল) শারে। কোংলৌতোন লৌথিবনা থারিবা হৱাই থাংপাক অদুবু নেৎখাইনবা শামতোন অয়াঙববু থারক্লে। শামতোন অয়াঙবনা হৱাই মরী নেৎথৎলে। কোংলৌতোন্না য়াম্না শাওরে অমসুং মপুক্তা কঞ্জাওরে। মহাক্লা শগোল অদু ফানবা লৈকপকী লাং থাক্লে। থাক্লিবা লাং অদুদা শগোল অদু থুরে। শামতোন অয়াঙবদু লাংদা থুরিঙৈদা কোংলৌতোন লৌথিবনা হাওমুক্লা লেংফাই চন মোংবা তাজিন খুরৌ য়েৎনরে (মুক্লা শান্নবগী লোংখ্রৌ য়েৎনরে)। কোংলৌতোন লৌথিবগা শামতোন অয়াঙবগা অনী অদু ঙম্নদ্রে। তাল্লক অদুদা লাইরেম্মা চখা খোংচোন্নুনা কোংলৌতোন লৌথিবগী মতেং পাংদুনা শমতোন অয়াঙবগী কোকথেৎ শত্তোক্লে, মকোই মরাং, মতু মমেন ফোয়রে। মশা কক্লে। অসুম তৌনা কোংলৌতোন লৌথিবনা শামতোন অয়াঙবা ফাখি। শামতোন অয়াঙবনা নেৎথৎলম্বা অদুনা লৈচিন অমসুং উন ওইখি। কোংলৌতোন লৌথিবনা শামতোন অয়াঙবা ফাবা অদুদা লাইরেম্ম চখা খোংচোন্নুনচিংবনা কোয়না কোংলৌতোন লৌথিবনা ঙম্নবা শামতোন অয়াঙবগী মতু মমেন ফোয়বনচিংবা তৌখিবা অদু নীংশিংনবগী মশক ওইনা হৌজিক ফাওবা উমংলাই হরাওবদা ঔগ্রী হংগেন চোংবা হায়দুনা তৌনরি। "ঔগ্রী" দগী খঙবা ঙম্বদি তাইবঙ মীওইবগা শগোলগা লৈনরকপা মরী অসি লৈশেম্লকপদগী লৈরক্লে হায়বা অসিনি।

শগোল কাঙজৈহৌদোকখিবগী ৱারী "কাঙজৈরোল" কৌবা লাইরিক্তা অসুম্না ইরি, "নিংথৌ কাংবগী হাকথক্তা নুংঙাই য়াইবী মরাঙ হৌনা উক্রোং হোঙবদা পাখং য়োমলোই হৌ নুরা য়োমদোং শাংনা লৈপাক মীয়াম লেংনা তিল হরাউ মথোই কা পাথৌ লেংনা তিন্না পামেল থেঙ্গু মুন্ননা শান্নরবগা নিংথৌ কাংবনা লীচৈ তোরান পায়না মুন্না থেঙ্গু লীচৈ তোরান্না কোথোকএ, খোৎ খোৎ পুনা পুরকই। পাথৌ পূম্নমক্লা ৱাকৎলে। ইনিংথৌও ঐখোয়গী মুন্না থেঙ্গু করিগী লৌথোকপনো হায়বা ৱাকৎখোনগী নিংথৌ কাংবনা হয়েং ইনুং শোয়রগা ইদাইরেম পাথৌ পূম্নমক লাংগোই শায়াংথক্তা ফম্না লীচৈ তোরান হাইনা মুন্না থেঙ্গু মতুম তানা নাইনু পাঞ্জন তান্নসে হায়খি। নোং ঙাল্লবা তরা লুকোয় চারগা লৈপাক মীয়াম লেংনা তিন, চৈরৈ ফিহন শেৎ, নিংথৌ কাংবা লৈমা তানু সনা চোঙলেন খান তয়ুম নাইগা থন্না অহোঙ কুম্মৈ য়েং, লৈপাক মীয়াম ৱায়েন থৌদানা পাথৌশিংনা লাংগোই শায়াঙথক্তা লীচৈ তোরান চৈবু কোলোয় মমিং থোনখি। হয়েং চাতোন শুতোন ফাওনা কৌনসনু হায়বগী নিংথৌ কাংবা কোল্লোয় মমিং থোনগী মৈনা ৱাইনা চৈবু কাঙচৈ - ও থোন্নে এ। হুন্না মতুম্বু কাঙদ্রুম - ও কৌনা থোন্নখি। লমলেন লমতম্বু কাংঙাপুং - ও কৌনা থোন্নখি।" মালেমদা ফাওরিবা শগোল কাঙজৈ (পোলো) মশান্না অসি ইহান হানবা ওইনা নিংথৌ কাংবনা হৌদোকখিবনি হায়না "কাঙজৈরোল" পুয়াদা য়াম্না শুগায়না তাক্লি।

পুয়া অসিমক্তা অসুম্না ইরি মদুদি কুমজা ৩৩ দা মণিপুরগী কংলাদা ফম্বাল তোংদুনা পানখিবা নোংদা লাইরেল পাখংবনা মহাক্কী লৈমরেম্বী লাইসরা (লাইস্না) বু মহাক্কী মরুপ মপাংশিং অমদি লৈপাক মীয়ামদা শক্তাকপা ওইনা শীনখিবা শগোল কাঙজৈ কুম্মৈ অমদা মাইকৈ অমদা শান্নরোয় তরেৎ/তরেৎ থোক্তুনা শান্নবগী ৱা ইরি।

খাদগী অৱাংদা কাঙদ্রুম য়ৈখৎতুনা শান্নখিবা কাঙলুপ্তা মার্জিংনা পনঙাকপা, খল্লাংবা - পনঙাকচঙ, ইরুম নিংথৌ পল্লকচঙ, ইকোপ নিংথৌ - লাঙজৈ, ইরোং নিংথৌ - পল্লক চঙ, নোংশাবা পঞ্জেং চঙ, পান্থোইবা-পঞ্জেনবা অসুম্না মাগী মাগী লম্বা থেংনখি।

অৱাংদগী খা মায়কৈদা কাঙদ্রুম য়ৈখৎতুনা শান্নখিবা কাঙলুপ্তা থাংজিংনা পনঙাকপা, খোরিফাবনা পনঙাকচঙ, ৱাঙব্রেন্না পল্লকচঙ, য়াঙ্গোই নিংথৌনা লাঙজৈ, মায়োকফানা পল্লকচঙ, ওক্লরেন্না পঞ্জেংচঙ, লোয়ারকপনা পঞ্জেনবা ওইদুনা শান্নখি।

কুমজা ১৯০২ দা মণিপুরদা লাক্লম্বা বৃটিশ ইন্দিয়াগী ভাইসরোই লোর্দ কাজর্জননা ইরম্বা লাইরিক "এ ভাইসরোই'স নোট বুক" কী 'দি ক্রেদল ওফ পোলো' দা পোলো হৌদোকখিবা মতম অসি খরা চয়েৎনবা লৈরবসু মণিপুরদগী পোলো হৌদোকখিবনি হায়বসি চিংননিঙাই লৈতে হায়না অসুম্না ইরি ঃ

There seems to be some dispute as to the exact date at which the discovery was first made, and as to the individual pioneers who "brought the good news from Ghent," and introduced the game that was destined ere long to become the favourite sport of the Englishman in India. But there can be no doubt that the precedence belongs to Manipur. Somewhere about 1854 or a little later, English planters in Cachar (Assam) learned the game from Manipuri settlers and exiles who had carried it thither own Valley : a European polo club was formed at Silchar in 1859; in 1862 was bought down to Calcutta and from there enthusiastic officers took it-up country to the principal cantonments of Northern India as far as Peshwar."

ভাইসরোই অমনা য়াম্না হকচিন্না ইরল্লিবা অসিদগী খঙলে মদুদি বৃটিশ মচাশিংনা কাছারদা লৈবা মণিপুরী মচাশিংদগী শগোল কাঙজৈ তমখিবনি। মতম অসি মহাক্লা পীরল্লিবা মতমগা খরা খেন্নবদি য়াই। ওইথোকপা য়াবদি, অৱা লানগাইদুনা চহী তরেৎ খুন্তাকপা মতমদা অমদি মসিগী মতুং চহী খরা ফাওবদা কছার লৈপাক অসিগী শরুক খরদি মণিপুরগী নিংথৌমচাশিংনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্মী। কাছার নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র হাত্তোক্তুনা চৌরজিৎ, মার্জিং অমদি গম্ভীরসিংহ অহুম্না কাছারগী লম শরুক অহুমদা নিংথৌ ওইদুনা পানখি।

মতম অসিদা শিলেটতা লৈবা বৃটিশশিংদা অৱা মণিপুরদগী তাম্থোক্লবা মণিপুর নিংথৌ মচা অহুম্না হায়জখি। বৃটিশনা লান পাংদুনা মণিপুরদগী অৱা তাম্থোকখি। মতম অসিদা লান ঔরাইবা লাকপা বৃটিশশিংনা মণিপুরী মচাশিংনা শগোল কাঙজৈ শান্নবা অহানবা উখি। মখোয়না মশান্না অসি তম্বসু হৌখি হায়নবা লৈ। থিজিনবা য়াবা ৱাফমনি।

শগোল কাঙজৈ হৌরকফমগী মতাংদা মালেমগী অখঙ অহৈশিংনা তোঙান তোঙানবা মত কয়ামরুম পীনৈ। মরম অদুনা ৱাফম অসি চম্মুরম্মী। কনাগুম্বনা পার্সিয়াদগী খরা অমনা তিব্বেতগী অমদি অতোপ্পা অখঙ অহৈশিংনা মণিপুরদগী শগোল কাঙজৈ হৌদোকখি হায়বা অকনবা মতম কয়া পীনরম্মী। পূম্নমক অসি নৈনরুরগা এসিয়া মহাদেসতগী শগোল কাঙজৈ হৌদোকখিবনি হায়বসি য়ানরক্লে। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মালেম অসিদা হৌজিক শান্নরিবা 'পোলো" হায়না খঙনরিবা "শগোল কাঙজৈ' অসিদি বৃটিশনা মণিপুরীশিংদগী অহানবা তম্বনি। বৃটিশশিংনা মখোয়গী মরম বৃটেন্দা পুখিদুনা মালেমদা শন্দোকখিবনি হায়না লাইরিক কয়াদা ইরি।

(*ৱাখলদগী লৌথোকপা, মথং-মথং*)